মোদি সরকারগী গরেন্টী
উজ্বালা যোজনাগী খূথাংদা নুপীশিংদা মৈখূ চেন্দবা চাকখুমশিং
লৈবাক শীনবা থুংনা ক্রোর ১০ হেনবা শেল তিংদবা গ্যাস কনেক্সনশিং
অকুপ্পা মরোলগীদমক স্কেন তৌবীয়ু
হমারা সনকল্প ভিক্সিট ভারত
CBC 22201/13/0222/2324

এ আই এফ এফ টেক্নিকেল কম্মিটিনা এল চাওববু সিনিয়র ৱিমেন্স টিমগী হেদ কোচ ওইনা রেক্কমেন্দ তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, জন্যুৱারী ২৫ (এজেন্সী):

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)কী টেক্নিকেল কম্মিটিনা হান্নগী ইন্দিয়া ইন্টরনেসনল লাঙম চাওববু ইন্দিয়ন সিনিয়র ৱিমেন্স টিমগী হেদ কোচ ওইনা এপোইন্ট তৌনবা রেক্কমেন্দ তৌখ্রে।

এ আই এফ এফ টেক্নিকেল কম্মিটিগী ওইবা ভর্চ্যুএল মীট অমা হান্নগী ইন্দিয়াগী কেপ্টেন আই এম ভিজায়ননা চ্যের লৌদুনা ঙসি পাঙথোকখিবগা লোয়ননা এল চাওববু হেদ কোচ ওইনা এপোইন্ট তৌনবা রেক্কমেন্দ তৌখিবনি। ভর্চ্যুএল মীট অদুদা এ আই এফ এফকী এক্টিং জেনরেল সেক্রেটরি এম সত্যনরায়ন অমদি মেম্বরশিং পিঙ্কি বোম্পাল মগর, হর্জিন্দর সিংহ, অরুন মলহোত্র, ক্লাইমেক্স লোরেন্স, য়ুগেনিসন লিংদো অমসুং এ আই এফ এফকী টেক্নিকেল দিরেক্টর সয়েদ সবির পাসাসু শরুক য়াখি।

চাওবা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা এ এফ সী ৱিমেন্স চেম্পিয়নশিপ অনীরক শরুক য়াখ্রে অমদি কুমজা ১৯৯৮দা বেঙ্কোকতা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসতসু শরুক য়াখ্রে অমদি মহাক সিনিয়র ৱিমেন্স টিমগী এসিষ্টেন্ট কোচ ওইনসু মতম খরা লৈরমখি। চাওবা হৌজিক-হৌজিক কিক্ ষ্টার্ট এফ সীগী হেদ কোচ ওইনা লৈরি। হৌজিক চথরিবা আই দব্লিয়ু এল সিজনগী ওইনা কিক্ ষ্টার্ট এফ সী কনা অমত্তনা মায়থীবা পীবা ঙমদনা লৈরি অমদি পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা মফম কনবা ঙম্লি।

কুমজা ২০২৩গী ওইনা প্রিয়া পি ভিবু এ আই এফ এফ ৱিমেন্স কোচ ওইনা হাপখিবনি। মহাকপু ইন্দিয়াগী নুপী সিনিয়র টিমগী এসিষ্টেন্ট কোচ ওইনা লৈহন্নবা রেক্কমেন্দ তৌখ্রে। মমাং চহীদা প্রিয়ানা ইন্দিয়াগী অন্দর-১৭ টিমগী হেদ কোচ ওইনা লৈখিবগা লোয়ননা অহানবা ওইনা এ এফ সী অন্দর-১৭ ৱিমেন্স এসিয়ন কপ ক্বালিফায়রসকী অনীশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখিবনি।

এ আই এফ এফকী চেরোল অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়া সিনিয়র ৱিমেন্স টিমগী লৌরেম্বম রোনিবালা চনুনা গোলকীপরগী কোচ ওইনা মখা তানা অদুম্মক লৈনবা টেক্নিকেল কম্মিটিনা রেক্কমেন্দ তৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপী টিম অসিনা টর্কিশ ৱিমেন্স কপ ২০২৪দা শরুক য়ানবা পান্দম থল্লি। কপ অসি মথং থাগী ১৯দগী হৌরগা ২৮ ফাওবা টর্কিদা পাঙথোক্কনি। ইন্দিয়ানা হন্দক্কী অসিগা টর্কিশ ৱিমেন্স কপতা শরুক য়াবা অহুম্লকশুবা ওইগদৌরি। হৌখিবা কুমজা ২০১৯ অমসুং ২০২১দা ইন্দিয়াগী টিমনা টর্কিশ কপতা শরুক য়াখ্রে। কপ অসিদা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নগদবা শান্নরোয়শিংগী মমিং অথুবা মতমদা লাউথোরক্লগনি হায়রি।

অহানবা দবং ট্রোফি ২০২৪

হৌদোকপা নুমিৎতা অল অমিন অমসুং নুর এফ সী মায় পাকখ্রে, ঙারিয়ান অমসুং সরুক দ্রো চৎখ্রে

থৌবাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস):

দবং বোইজকী শেন্থং মখাদা ওল সঙ্গাইয়ুম্ফম স্পোর্টস এসোসিএসন (এ এস এস এ)না শীন্দুনা অহানবা দবং ট্রোফি ষ্টেট লেভেল ৯-এসাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৪ ঙসি এ এস এস এ সঙ্গাইয়ুম্ফম প্লেগ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে।

টিম ১৫না পুন্না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্লগা শান্নরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ঙারিয়ান এফ সী অমদি সরুক এফ সী য়াইরিপোক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি।

অনীশুবা মেটচ ওইনা অল-অমিন সঙ্গাইয়ুম্ফম অমসুং এম ৱাই দি এ মাইরেনখুনগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা অল-অমিনগী শান্নরোয়শিংনা খরা হেন্না লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখি। পাঞ্জল অদু টিম অদুগী জর্সি নম্বর ৮ রিশিনা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফকী শান্নখিবদসু মখা তানা অল অমিননা লাকচনা শান্নবা ঙমদুনা মেটচ অদুগী ২৪ শুবা মিনটতা জর্সি নম্বর ৫ মনিরখাননা পাঞ্জল অমা চনখি। অদুবু এম ৱাই দি এগী ওইনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু অল অমিননা পাঞ্জল ২-০দা থোইখিবনি।

অহুমশুবা মেটচ ওইনা এন ৱাই টি ঐচ সী এফ সী সোরা অমসুং নুর এফ সী সোরাগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নুর এফ সীনা পাঞ্জল ৩-১দা এন ৱাই টি ঐচ এফ সীবু থোইখিবনি। নুর এফ সীগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ১২, ২৮ অমসুং ৩০ শুবা মিনটতা মথংশিংনা আইদ্রিশ, চাওবা অমসুং ফরিদনা চনখিবনি। অদুগা এন ৱাই টি ঐচ সীগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা মেটচ অদুগী ৩৪ শুবা মিনটতা টিম অদুগী জর্সি নম্বর ৩০ অখুবীনা চনখিবনি।

অন্দর-১৩ খেলো ইন্দিয়া গর্লস ফুটবোল লীগ ২০২৩-২৪

য়ুঠ ৱেলফেয়র ক্লব অমসুং আই সী এস এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা সী ৱাই এল সী গ্রাউন্দ পিশুম লম্পাক চীংঙা মথক্তা চথরিবা অন্দর-১৩ খেলো ইন্দিয়া গর্লস ফুটবোল লীগ ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা য়ুঠ ৱেলফেয়র ক্লবনা য়ং ৱেলফেয়র ক্লব অদুগা আই সী এস এ ইরেংবমনা মণিপুর য়ুনাইটেদ এফ এ মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১.৩০ তাবদগী হৌরগা য়ুঠ ৱেলফেয়র ক্লব অমসুং য়ং ৱেলফেয়র ক্লবকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা য়ুঠ ৱেলফেয়র ক্লবনা পাঞ্জল ৫-২দা য়ং ৱেলফেয়র ক্লবপু মায়থীবা পীরমখিবনি। য়ুঠ ৱেলফেয়র ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ২, ৬, ৩০, ৩৩ অমসুং ৩৬ শুবা মিনটতা মথংশিংনা মিদফিল্ডর হৈখাম জেনিয়া লাইতোঞ্জম, লিস্থোই চনু, ফোরৱার্দ ৱাইরোকপম মোনিকা, লৈকাংবম রসিয়া চনু অমদি দিফেন্দর নামৈরাকপম জস্মিন চনুনা অমমম্ চনখিবনি। অদুগা য়ং ৱেলফেয়র ক্লবকী পাঞ্জল অনী অদুনা মেটচ অদুগী ৩ অমসুং ৩৭ শুবা মিনটতা দিফেন্দর অতোম লিস্থোই অমসুং মিদফিল্ডর লৌক্রাকপম সৈত্যমালানা অমমম্ চনখিবনি।

অমরোমদা, নুংথিল পুং ২.৪৫ তাবদগী হৌরগা আই সী এস এ ইরেংবম অমসুং মণিপুর য়ুনাইটেদ এফ এগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা আই সী এস এ ইরেংবমনা মণিপুর য়ুনাইটেদ এফ এবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ১৩-৭তা মায়থীবা পীরমখিবনি।

আই সী এস এ ইরেংবমগী পাঞ্জলশিং অদু ২, ১৫, ২৪, ৩৭, ৪৫, ৪৬, ৪৮ শুবা মিনটতা ফোরৱার্দ লাইশ্রম রানীনা তরেৎ, ১৯শুবা মিনটতা ইরেংবম থাজমানবীনা অমা, ২৩ অমসুং ৩২ শুবা মিনটতা ওইনাম রেতিকানা অনী, ৪২ অমসুং ৫০ শুবা মিনটতা ওইনাম বিশেশ্বরীনা অনী অদুগা ৫০ শুবা মিনটতা টিম কেপ্টেন ইরেংবম দাইনানা অমা চনখিবনি। অদুগা মণিপুর য়ুনাইটেদ এফ এগী পাঞ্জলশিং অদুনা মেটচ অদুগী ১০, ১১ অমসুং ৩৮ শুবা মিনটতা জোইনর খুন্দ্রাকপমনা অহুম, ২৭ অমসুং ৪৯ শুবা মিনটতা থাংজম দামিনীনা অনী, ২৮ অমসুং ৩১ শুবা মিনটতা টিম কেপ্টেন মোংজম পুস্পারানীনা অনী চনখিবনি।

অহানবা প্রেমিয়র লীগ ২০২৩-২৪

ৱাঙ্গোই ফুটবোল এসোসিএসননা ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি থোইখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোং থোংখোঙদা হৌজিক-হৌজিক চথরিবা অহানবা প্রেমিয়র লীগ ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাঙ্গোই ফুটবোল এসোসিএসন (দব্লিয়ু এফ এ)না ক্লাসিক ফুটবোল একাদেমি (সী এফ এ) মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১১.১৫ তাবদগী হৌরগা টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্নখিবদগী অমনা অমবু লাকচনা শান্নবা ঙমখিদে। টিম অনীমক্না পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিংসু হৈ-শিংবা মান্নখিবদগী মায় পাকখিদে। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা নাকল অনীমক্না পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদসু নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচ অদুগী ৫৩ শুবা মিনটতা দব্লিয়ু এফ এগী ওইনা পেনাল্টি কাওনবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অদুগী রোনাল্দ সাইখোমনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি। মেটচ লোইবা ফাওবদা সী এফ এগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু দব্লিয়ু এফ এনা পাঞ্জল ১-০দা থোইখিবনি।

চবুংবম প্রেমচন্দ্রবু ইন্দিয়াগী কো-ওর্দিনেটর ওইনা খল্লকপদা এম এম এম এ এনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস):

৬লক শুবা ইন্টরনেসনল এন্দ থাই মার্সিএল আর্টস গেমস ২০২৪গী ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী চ্যেরমেননা মণিপুর মিক্স মার্সিএল আর্টস এসোসিএসন (এম এম এম এ এ)গী প্রসিদেন্ট চবুংবম প্রেমচন্দ্রবু ইন্দিয়াগী কো-ওর্দিনেটর ওইনা খল্লকপদা এসোসিএসন অসিগী মায়কৈদগী নুংঙাইবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা কৈশাম জয়প্রকাশ মৈতৈনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, চহী অসিগী মার্চ ৯দগী হৌরগা ১৭ ফাওবা থাইলেন্দগী ফুকেটতা লৈবা সফান হিন ষ্টেদিয়মদা ৬লক শুবা ইন্টরনেসনল এন্দ থাই মার্সিএল আর্টস গেমস ২০২৪ পাঙথোক্লগনি। মসিদা মুইএ থাই, মুইএ বোরান, কিক্ বোক্সিং, ব্রাজিলিয়ন জিয়ু জিটসু, বোক্সিং, জিট কুনে দো, দাপ থাই, মি মে মুইএ থাই, কেটা মুইএ থাই, ৱাই ক্রু সেরেমোনিনচিংবা পাঙথোক্কনি।

হায়রিবা থৌরম অসি মুইএ থাই প্রজাওসু স্পোর্টস এসোসিএসন অমসুং ক্রু মুইএ থাই এসোসিএসননা খূৎশম্নরগা প্রোভিন্সিএল এদমিনিষ্ট্রেটিভ, মিনিষ্ট্রি ওফ টুরিজম এন্দ স্পোর্টস এন্দ মিনিষ্টর ওফ কলচর গভর্ণমেন্ট ওফ থাইলেন্দগী মীৎয়েং মখাদা শীনবনি। মসিগী মরুওইবা পান্দমদি টুরিজম চাউখৎহনবা, গেমস এন্দ স্পোর্টসকী থৗদা অফবা মরী লৈনবা হোৎনবা অমসুং কলচর এক্সচেঞ্জ তৌনবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, মুইএ থাই, মুইএ বোরান, কিক্ বোক্সিং, ব্রাজিলিয়ন সু জিটসু, বোক্সিং, জিট কুনে দো, দাপ থাই, মি মে মুইএ থাই, কেটা মুইএ থাই অমদি ৱাই ক্রু সেরেমোনিদা শরুক য়ানিংবা গ্রুপ নৎত্রগা ইন্দিভিজ্যুএলশিংনা মোবাইল নম্বর ৯৭৭৪১৭৬২৯২দা কন্টেক্ট তৌরকপা য়াগনি। মসিনা প্রো-এ এম/প্রোফেসনেলগী ইন্দিয়ন ফাইটর কয়া পুথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

[illegible]

[illegible]

এ এম দি এ এস সী এ এমনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসননা শীন্দুনা লিলোং হাওরৈবী ময়াই লৈকাই ইদিগা গ্রাউন্দদা থা অসিগী ২৫দগী হৌরগা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা ৩৫রক শুবা সব-জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপ অমসুং অহানবা জুনিয়র বোইজ ষ্টেট লেভেল কেশ প্রাইজ কবাদ্দি টুর্নামেন্টকী ওইনা জুনিয়র বোইজ অমসুং সব-জুনিয়র বোইজকী ৱিন্নর এ এম দি এ এস সী এ এম অতৌখোংনা ওইখ্রে। ঙসি পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ লোইশিনবগী থৌরম অদুদা করাম বুধচন্দ্র ও সী ৱাঙ্গোই পি এসনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি।

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 1030

Yoffie, Marc (2355) - Taylor, Timothy (2450)

New York International New York (9), 1984

1.Nf3 Nf6 2.b3 g6 3.Bb2 Bg7 4.g3 O-O 5.Bg2 c5
6.c4 Nc6 7.O-O d6 8.Nc3 e5 9.d3 Nh5 10.Nd2 f5
11.Nd5 Ne7 12.b4 Be6 13.Qb3 Rc8 14.bxc5 dxc5 15.Qxb7 Bxd5
16.Bxd5+ Kh8 17.Nb3 Rc7 18.Qb5 Nxd5 19.cxd5 Qxd5 20.Rac1 Rfc8
21.Rfd1 Nf6 22.Qc4 Qd6 23.Ba3 Nd7 24.Qc2 Qa6 25.Bb2 h5
26.Nd2 h4 27.Nc4 h3 28.Bc3 Qe6 29.f3 Nb6 30.Ba5 Rf7
31.Bxb6 axb6 32.Rb1 Rc6 33.Rb3 Ra7 34.Rdb1 Ra6 35.a4 Rxa4
36.Nxb6 Rd4 37.e4 fxe4 38.fxe4 Qg4 39.Nc4 Rf6 40.Qd1 Rf3
41.Kh1...

QUESTION :

Black to win

Puzzle 1029 Solution :

34. …Nf3+ Opening the line from b2 to h2. **35. Bxf3**
35. ...Rxb2+ 36. Bg2
36. ...Rxg2+ The black rook decoys White's king. Opening the line from h3 to h1. **37. Kxg2**
37. ...Re2+ The black rook attacks White's king, which is defending the square f1 and White's pawn. **38.Kh1**
38. ...Qf1+ 39.Rg1 Blocking square g1. **Qxh3#** Highstriker mate
0-1

মমি ৱারী

থৱান

শান্ন-ঈশৈ

[illegible]

USED VEHICLES EXCHANGE / 2,3,4 Wheeler Sales with Purchased / Vehicles Loan Available

- # Used Vehicles খূদিংমক :- 4/W - XUV-300, Venue, Tata Nexon, Brezza, Bolero New, Alto, Van, Eco Van, Diesel Auto, e-Rickshaw, Commercial Vehicles, Tractors with Heavy Vehicles, JCB etc.
- # 2/W :- Activa, Dio, Pleasure with all Motorcycles etc.
- # Vehicles শিং Exchange তৌবীনিংবা, য়োনবীনিংবা (Sales) অমসুং Purchasing গী খূদোংচাবা পীজরি।
- # 2/4/3 Wheeler গী Loan গী খূদোংচাবসু লৈগনি। (e-rickshaw loan সু ফংবীগনি।

EMPLOYMENT NEWS
- # Office Asst. (Nambol, Samurou, Keishamthong)
- # 2/Wheeler Mechanic, 2/4 Wheeler Painting Mistry
- # Car Wash Helper / Tyre Fitting Helper

N.B. : লৈবা-চাবা Free ওইবগী মথক্তা থাগী Pay মতিক চানা পীগনি।

Please Contact : L.G. Motors
Khagempalli Huidrom Leikai,
Imphal West, Manipur,
9362775475, # 9366434484

HL-B/8455/23/12-21/02

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com